

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, NOVEMBER 22, 2018 **PAGE 7**




*ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টুর্নামেন্ট রঞ্জি ট্রোফিগী পুৱারীদা রন ১১,০০০ লাম্বোকপা ঙম্বা অহানবা বেটসমেন ওইখ্রবা ভিদরভাদা শান্নরিবা ৱাশিম জাফর*

*নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ৪ লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইখ্রবী মশাগী চহী ২৪ শুরবী পঞ্জাবকী সুট্টর অঞ্জুম মোদগিল*

## *ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ–২০১৮*

## সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা মেডল ৪ ফংলগনি

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়ম কমপ্লেক্সতা চথরিবা এআইবিএ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৪ সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী লৈবাক অসিনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেডল ৪ শোয়দনা ফংলগনি।



*ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল ফংলগদবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিং*

সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি মেরি কোম (কেজি ৪৮), সোনিয়া সাহল (কেজি ৫৭), সিমরনজিৎ কোর (কেজি ৬৪) অমসুং লোভলিনা বোরগোহেন (কেজি ৬৯) নি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা মেরি কোম খক্তংমক চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেডল লৌবা ঙম্লিবনি।

মেরি কোম অমসুং লোভলিনা বোরগেহেননা মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাওট অদু হয়েং থিন্নগনি। অদুগা সোনিয়া চাহল অমসুং সিমরনজিৎ কোরনা মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাওট অদু ইরাই নুমিৎতা থিন্নগনি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙদা টাইটল ৫ রক লৌবা ঙমখ্রবী এমসি মেরি কোমনা ঙরাং পাঙথোকখিবা কেজি ৪৮ গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা চাইনাগী ৱু য়ুবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি। মেরি কোমনা সেমি ফাইনেলদা নোর্থ কোরিয়াগী বোক্সর মি হিয়াং কিমগা থিন্নরগনি।

সোনিয়া চাহলনা কেজি ৫৭ কী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা কলম্বীয়াগা বোক্সর য়েনি কাষ্টেনাদাবু পোইন্ট ৪–১ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী বোক্সর লোভলিনা বোরগোহেননা কেজি ৬৯ গী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফ্রান্সেস স্কোটপু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী বোক্সর চেন নিয়েন চিনগা থিন্নরগনি।

নুপীগী কেজি ৬৪গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর সিমরনজিৎ কোরনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা আয়রলেন্দগী বোক্সর এমী সারা ব্রোধুরসপু পোইন্ট ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

## পুনে সিটিগী মেট মিলসনা অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জলনা জমসেদপুর এফসিবু ২–১ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা থাক ২ হাইগৎহনখ্রে



*এফসি পুনে সিটিগী শান্নরোই মেট মিলস (য়েৎতগী ২শুবা) না মায় পাকপগী পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা*

*পুনে, নবেম্বর ২১ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি পুনেদা লৈবা শ্রী সিব ছত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচতা পুনেগী শান্নরোই মেট মিলসনা অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জলনা জমসেদপুর এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা মফম অনী হাইগৎহনবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা এফসি পুনে সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌদুনা জমসেদপুর এফসিগী মায়োক্তা বোল তোয়না তোয়না পুশিন্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা এফসি পুনে সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ব্রাজিল মচা দিএগো কার্লোসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা পুনে সিটিগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীবা হৌরকখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা জমসেদপুর এফসিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা সুমিত পাসিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঙ্গল মান্নখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মদনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা এফসি পুনে সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা রোবিন সিংহনা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙহনখি।


অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অদুদসু মায়কৈ অনীগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিনবা য়াবা খুদোংচাবা পীনখিদবদগী মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে।

শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা এফসি পুনে সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা য়াম্না ফজবা এটেক অমদা মেট মিলসনা টিম অসিগী য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদুদা জমসেদপুর এফসিবু ২–১ দা থোইরম্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা থাক অনী হাইগৎহনবা ঙমখি।

## সাইনা নেহৱাল সায়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*লক্ষনৌ, নবেম্বর ২১ঃ*

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষনৌদা লৈবা বাবু বানারসি দাস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সায়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর সাইনা নেহৱাল অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা মোরিসিয়সকী কে ফু কুনেবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম ২১–১০, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

সাইনা নেহৱালনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই এএস সিসোদিয়াগা শান্নরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী রিতুপর্না দাসনা রুশিয়াগী এন পরমিনোভাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ২১–১৯, ১৮–২১, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী এ কাশ্যপ অহানবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দোনেসিয়াগী দিদি আয়ুষ্টিনগী মখূত্তা ১৬–২১, ১৭–২১ দা মায়থিহৌখি।

৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী হান য়াংনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এস গৌতমবু ২১–৭, ২১–৮ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী ভি গুমাদিবু নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫শুবাসিদেদ শান্নরোই চাইনাগী ঝাং ৱাইএমনা ২১–১২, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরম্বদগী মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

সায়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা রুশিয়াগী সর্গে সিরান্টপু ষ্ট্রেট গেম ২১–১২, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী এস ঐচ রুস্টাভিগা শান্নরগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী রুস্টাভিনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই এস প্রতাপ সিংহবু ২১–১২, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।


নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পরুপল্লি কাশ্যপনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা থাইলেন্দগী টি সেনসোম্বুন্সুকপু ২১–১৪, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা ইন্দোনেসিয়াগী এফএ খোলিককা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী সৌরভ বর্মা চাইনাগী ঝৌ জেট ক্যুগী মখূত্তা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২১–১৩, ১৫–২১, ১৫–২১ দা মায়থিহৌখি।

## অহানবা টি–২০ মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু দিএলএস মেথদতা ৪ রনদা থোইখিবদগী সিখর ধৱনগী রন ৭৬ অরেম্বা তাহৌরে

*ব্রিজবেন, নবেম্বর ২১ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না ওষ্ট্রেলিয়া টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অহানবা টি–২০ মেটচতা নোংনা মরক থৎখিবদগী দিএলএস মেথদতা ওষ্ট্রেলিয়ানা থোইখিবদগী ইন্দিয়াগী বেটসমেন সিখর ধৱননা লৌখিবা রন ৭৬ অরেম্বা তাহৌরে।



*ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা রন ৭৬ লৌখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন সিখর ধৱন*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি ব্রিজবেনদা লৈবা দি গাব্বা ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা অহানবা টি–২০ মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু দি আর্সি সোর্ট অমসুং কেপ্টেন আরোন ফিন্সনা হৌদোরকখি। সোর্ট শুপ্নগী রন ৭ লৌদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী বোক্সর খালিল অহমদনা আওট তাহনখি।

৩শুবা বেটসমেন খৃস লিন অমসুং অতোপ্পা ওপনর আরোন ফিন্সনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা তানা শান্নরকপদা রন ৬৪ য়ৌহনবা ঙমখি। আরোন ফিন্স বোল ২৪ মায়োক্নবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৭ তা আওট ওইখি।

খৃস লিনসু ফিন্স আওট ওইখিবা ইকান কান্নদনা বোল ২০ মায়োক্নবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ১ য়ৈরম্লগা রন ৩৭ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর ৬৪ দা ৱিকেট ৩ তুখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা গ্লেন মেক্সৱেলনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ২৪ মায়োক্নবদা সিক্স ৪ য়ৈরগা রন ৪৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু মপুং ফানা শান্নদ্রিঙৈদা নোংতারকপদগী ওভর ১৭ তা তেনশিনখি। মঙাশুবা বেটসমেন মার্কস ষ্টোইনিস অমসুং ৬শুবা বেটসমেন বেন মেকদরমোট্টনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৩৩ অমসুং ২ লৌরমদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৫৮ লৌবা ঙমখি।

ক্রিকেট মশান্না অসিগী চৎন–পথাপকী মতুংইন্না থমখিবা দকৱোর্থ–লেৱিস মেথদতা ইন্দিয়ানা মেটচ অসি মায় পাক্নবগীদমক রন ১৭৪ লৌবগী মথৌ তাখি।

মায় পাক্নবগী রন ১৭৪ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ইন্দিয়ানা ওভর ১৭ শান্নখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৬৯ লৌখিবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ৪ দা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস রোহিট শর্ম্মা অমসুং সিখর ধৱননা হৌদোরকখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা রন ৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা লোকেস রাহুলসু রন ১৩ খক লৌরমখি। ৪শুবা বেটসমেন কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু রন ৪ খক লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ফিভম শোকচিল্লকখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱননা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ৪২ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৭৬ লৌরমদুনা মেটচ অদু মায় পাক্নবগী লম্বেল শেন্নমখি।

৫শুবা বেটসমেন রিসব পন্টনা লৌরম্বা রন ২০ অমসুং ৬শুবা বেটসমেন দিনেস কার্থিককী রন ৩০ অদু টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। মখা তাবা বেটসমেনশিং রন ১০ য়ৌবা ঙমখিদবদগী অহানবা টি–২০ মেটচ অদু দিএলএস মেথদনা ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ৪ দা মায় পাকখি।

## স্কোটলেন্দ, স্বিদেন অমসুং সর্ভিয়া মখোয়–মখোয়গী লীগ মেটচশিং মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, পোর্টুগাল অমসুং পোলেন্দ ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*ইদিনবর্ঘ, নবেম্বর ২১ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথরিবা নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মখোয়–মখোয়গী লীগ মেটচশিং মায় পাক্লুনা স্কোটলেন্দ, স্বিদেন অমসুং সর্ভিয়া সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, পোর্টুগাল অমসুং পোলেন্দ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।



*স্কোটলেন্দগী শান্নরোইশিংনা ইজরেলগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ সি গ্রুপ ৱানগী মেটচ অমদা স্কোটলেন্দনা ইজরেলবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল ইজরেলগী বেরাম কায়ালনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ৩৪শুবা মিনটতা স্কোটলেন্দগী মায়কৈদগী হেটট্রিক চনখিবা জেমস ফোরেষ্টনা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনখি। ৪৩শুবা মিনটতা ফোরেষ্টনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ৬৪শুবা মিনটতা জেমস ফোরেষ্টতা মহাক্কী হেটট্রিক পাঞ্জল চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি। ৭৫শুবা মিনটতা ইজরেলগী শান্নরোই ইরান জাহাভিনা পাঞ্জলঅমা চল্লবসু মেটচ অদু স্কোটলেন্দনা ইজরেলবু ৩–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ বি গ্রুপ টুগী মেটচ অমদা স্বিদেননা রুশিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। স্বিদেনগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী অনী অহানবা হাল্ফকী ৪১শুবা মিনটতা ভিক্তর নিলসন লিন্দেলোফনা অহানবা অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা ৭২শুবা মিনটতা মার্কস বর্গনা চনবা ঙমখি।

য়ুইএফএ নেসন্স লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ সি গ্রুপ থোরগী মেটচ অমদা সর্ভিয়ানা লুথুৱানিয়াবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনখিদে। অনীশুবাহাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা লুথুৱানিয়াগী শান্নরোই অরতুরাস জুল্পানা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা সর্ভিয়ানা মাঙজিল থাখি।

৫৮শুবা মিনটতা সর্ভিয়াগী শান্নরোই এলেকসান্দর মিত্রোভিসনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। ৬৪শুবা মিনটতা লুথুৱানিয়াগী মায়কৈদগী দিমেন্টাস পেত্রাভিসিয়সনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ৭১অমসুং ৭৪শুবা মিনটতা সর্ভিয়াগী শান্নরোই প্রিজোভিস অমসুং এদেম জাজিকনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা মেটচ অদু ৪–১ দা মায় পাকখি।

## ইন্দিয়ানা এক্রোবেটিক জিমনাষ্টিক্স ৱার্ল্ড কপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল অনী ফংখ্রে

*বাকু, নবেম্বর ২১ঃ*

অজরবাইজানগী কোনুং বাকুদা পাঙথোকখিবা এফআইজি এক্রোবেটিক জিমনাষ্টিক্স ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী গ্রুপ ইভেন্টশিংদা ব্রোঞ্জ মেডল অনী লৌখ্রে।

এফআইজি এক্রোবেটিক জিমনাষ্টিক্স ৱার্ল্ড কপ অসি নুমিৎ নিনি চুপ্পা পাঙথোকখিবনি। থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোকখিবা নুপাগী গ্রুপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী প্রিন্স এরিস, সিদ্দেস ভোসলে, রুসিকেস মোরে অমসুং রেজিলেস সুরিবাবুনা পুন্না স্কোর ২০.৫৬০ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী গ্রুপ ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা জর্মনিগী কুদ্রিয়াসোভ, এলেকসান্দর সোরোকিন, ভালেরি টুকাসভিলি অমসুং কিরিল জাদোরিননা পুন্না স্কোর ২৮.৩৩৬ দা ফংবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা রুশিয়াগী গ্রুপ পাভেল, গুবস্কি, কিরিল লুকিয়ানোভ, ব্লাদিমির পেত্রোভ অমসুং দেনিস সোলুননা পোইন্ট ২৮.০০৫ দা ফংখি।

নুপীগী গ্রুপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ত্রাইয়ো আয়ুসি ঘোদেস্বর, প্রাচি পার্খি অমসুং স্রুনমায়ি ৱান্ডেনা পোইন্ট ১৮.২০০ দা ফংখি। গোল্ড মেডলনা রুশিয়াগী গ্রুপ দারিয়া, চেবুলাঙ্কা, অনাষ্টেসিয়া পারসিনা অমসুং কসেনিয়া জাগোস্কিনানা পোইন্ট পোইন্ট ২৯.৪০০ দা ফংখি। সিলভর মেডল অদুনা বেলারসকী গ্রুপ জুলিয়া ইভোনচিক, ভেরানিকা নাবোকিনা অমসুং কারিনা সান্দোভিচনা পোইন্ট ২৯.০০৬ তা লৌখি।

কম্পিটিসন অসিদা বেলারস, ইজরেল, কজাখস্থান, ইন্দিয়া রুশিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী টিমশিংনা শরুক য়াখি।

## ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচশিংদা ফ্রান্সনা উরুগ্বে ১–০ দা থোইখ্রে, ইটালিসু মায় পাকখ্রে

*পেরিস। রোম, নবেম্বর ২১ঃ*

মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংনা শান্নরিবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচশিংগী মনুংদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ফ্রান্সনা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদা ইটালিসু মায় পাকখ্রে।

ঙসি ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা লৈবা ষ্টদে দি ফ্রান্সতা ফ্রান্স অমসুং উরুগ্বেনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ওলিভর জিরোদনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকপা এটেকশিং অদু ফ্রান্সকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী ফ্রান্সনা উরুগ্বেবু ১–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ঙসি ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা রোমদা লৈবা লুমিনস এরেনাদা য়ুএসএগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদু য়ুম্বু ওইখিবা ইটালিনা ১–০ দা মায় পাকখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক কয়া মায়োক্নরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু য়াম্না পাঙ্গল মান্নরকখি। মতম কুইনা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মাটিও পোলিটানোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ১–০ দা মায় পাকখি।